# রাজস্থান রোয়লসনা চেন্নাই সুপর কিংসপু ৱিকেট ৭দা থোইদুনা পোইন্ট টেবলদা ৩শুবা পোজিসনদা লৈখ্রে



অবুধাবী, ওক্টোবর ১৯(এজেন্সী): যু এ ঈগী সিটি অবু ধাবীদা লৈবা সৈখজায়িদ ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ৩৭শুবা মেচতা রাজস্থান রোয়লসনা চেন্নাই সুপর কিংসপু ৱিকেট ৭তা মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসিগী মেচ অদুগী টোস চেন্নাই সুপর কিংসনা ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি। মদুদা টিম অদুগী বেটচমেনশিং ফজবা ঙমখিদবদগী অপীবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৫ আউট ওইরগা রন ১২৫ খক লৌবা ঙমখি। ওপনর শাম কুরন অমসুং ফাপ দু প্লেসিসনা ইন্নিংস হৌরকপদা স্কোরবোর্দতা রন ১৩ খক হাপচিল্লিঙৈ প্লেসিস রন ১০দা আউট ওইখি।

মহাক্কী মহুৎ শিল্লকখিবা সেন ৱেটসনসু ক্রিজদা কুইনা লৈরমখিদে। বোল অনী মায়োক্লবদা ফোর ৪ য়ৈদুনা লৈরিঙৈ অহুমশুবা বোলদা আউট ওইখি। মরিশুবা বেটচমেন অম্বাটি রায়ুদু শান্নবা চঙলকখি। মহাক্কা কুরনগনা অপূনবা স্কোর ৫৩ য়ৌহল্লকখি। অদুবু মখা তাবা রন হাপচিনবা ঙমদ্রিঙৈ কুরন রন ২২দা আউট ওইখি।

কেপ্টেন ধোনি অমসুং রায়ুদুনা মখা তাবা ইন্নিংস শান্নরকপদু শুপ্পগী রন ৩ খক হাপচিনবা ঙমখি। রায়ুদু রন ১৩দা আউট ওইখি। রবিন্দ্র জাদেজানা মহাক্কী মহুৎ শিল্লদুনা শান্নরকপদা মঙাশুবা ৱিকেটকীদমক ধোনিগা পুল্লগা রন ৪১ হাপচিল্লগা অপূনবা স্কোর ১০৭ য়ৌহনখি। ধোনি রন ২৮দা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ শিনখিবা কেদর য়াদব অমদি জাদেজানা মখা তাবা ইন্নিংস অদুদা রন ১৮ হাপচিন্দুনা অপূনবা স্কোর ১২৫দা ইন্নিংস লোইশিনখি। রাজস্থান রোয়লসকী মায়কৈদগী বোলর শ্রিয়াস গোপালনা ওভর ৪ লংবদা শুপ্পগী রন ১৪খক পীদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওভর ওইখি।

মায়পাক্লনবা রাজস্থান রোয়লসনা রন ১২৬ লৌনবা হোৎনরকপা অদু ১৮শুবা ওভরগী অহুমশুবা বোলদা ৱিকেট ৩ খক তুরগা লৌবা ঙমদুনা ৱিকেট ৭তা মায় পাকখি।

টিম অদুগী হৌরকপা কা হেন্না ফজখিদে। ওপনর বেন ষ্টোব রন ১৯দা আউট ওইখি। মহাক্কী মতুং অতোপ্পা ওপনর রোবিন উথাপা রন ৪দা আউট ওইখি। সঞ্জু সেমসনসু রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আউট ওইখি। মরিশুবা বেটচমেন ষ্টিভেন স্মিথ অমসুং জোস বটলরনা অপূনবা স্কোর ২৮দগী মরিশুবা ৱিকেটকী পার্টনরশিপ শেম্বা হৌরকখি।

চেন্নাই সুপর কিংসকী বোলরশিংবু নীংথিনা মায়োক্লদুনা স্মিথ অমসুং বটলরনা মখা তানা আউট ওইদনা মায় পাকপগী রন অদু য়ৌবা ঙমখি। ১৮শুবা ওভরগী ৩শুবা বোলদা রন ১২৬ লৌখি। স্মিথ রন ২৬ অদুগা জোস বটলরনা শুপ্পগী বোল ৪৮দা সিক্স ২ অমসুং ফোর ৭ য়ৈরগা রন ৭০ লৌখি।

হয়েং কিংস ইলেভেন পঞ্জাব অমসুং দিল্লি কেপিটেলস শান্নগনি।

# ইন্দিয়াগী শাথিয়ান অমসুং হার্মিট দেসাই য়ুরোপিয়ন লীগ টুর্নামেন্টশিংদা ফজরি





ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১৯(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নুপাগী টেবল টেনিস শান্নরোয়শিংগী মনুংদা নৌনা মচীন তু মখৎলক্লিবা শাথিয়ান গনসেখরন অমদি হর্মিট দেসাইনা তোঙান-তোঙানবা য়ুরোপকী লৈবাকশিংদা শরুক য়ারিবা টেবল টেনিস লীগ টুর্নামেন্টশিংদা ফজবা ঙল্লি।

ৱর্ল্ডনম্বর ৩৩দা লৈরিবা শাথিয়ান গনসেখরননা পোলেন্দগী সুপর লীগা টেবল টেনিস টুর্নামেন্টতা টিম অমা ওইরিবা সোকোলো জারোস্লোগী মায়কৈদগী শান্নরকপদা ঙরাং অতোপ্পা ক্লব উলিম্পিয়া উনিয়াবু ৩-০দা থোইখি।

গনসেখরননা টুর্নামেন্ট অদুগী ৯শুবা রাউন্দদা উলিম্পিয়া উনিয়াগী শান্নরোয় রসিয়া মচা মেক্সিম সপ্লিজিনবু গেম ৩-২দা অকনবা লম্বা অমগী মতুংদা মায় পাকপা ঙমখি।

মেচ অদুগী অহৌবা গেম অনী ৱর্ল্ডনম্বর ৩৩৭তা লৈরিবা মেক্সিমনা শাথিয়ানবু ১১-৯, ১১-৬তা থোইখি। অদুবু ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অদুনা অহুমশুবা গেম অদু ১১-৮দা থোইরবা মতুং মরিশুবা গেম অদুসু চপ মান্নবা স্কোরদা ১১-৮দা থোইদুনা ৫শুবা অমদি দিসাইদিং গেম শান্নখি। মদুদসু কুমজা ২০১৮গী কমন ৱেল্থ গেমসকী গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রবা শাথিয়ানন্না ১১-৯দা থোইদুনা মহাক্কী ক্লব সোকোলো জারোস্লোবু মাংজিল থাহনবা ঙমখি। মখা তারকপা মেচতা মহাক্কী টিমমেট লৈ কোনা উলিম্পিয়াগী শান্নরোয় মার্কো গোলাবু অমদি অতোপ্পা টিমমেট পোল স্মেল পাৱেলনা জান জান্দেকিবু মায়থীবা পীদুনা রাউন্দ অদু ৩-০দা লোইশিনখি।

পনবা য়াবদি, থাংজ নুমীৎকী অথেংবদা শান্নখিবা শাথিয়ানগী অহানবা মেচতা বাল্টা দাঙ্কস ক্লবকী জাইমোন মালিকিবু ১১-৩, ৫-১১, ১১-৮, ১২-১৪, ১১-৫দা থোইদুনা লোকদাউনগী মতুংদা মহাক্কী অহানবা ইন্টরনেসনল মেচ অদু মায় পাকপা ঙমখিবনি।

অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় ৱর্ল্ড নম্বর ৭২ হর্মিট দেসাইনা ফ্রান্সকী প্রো বি লীগ টুর্নামেন্টতা রোইন এল এল টি টিগী মায়কৈদগী শরুক য়াদুনা অতোপ্পা ক্লব ইসিনগী শান্নরোয় এলেসিস দোৱিনবু ১২-১০, ১১-৮, ১১-৮দা থোইবা ঙমখি। মহাক্কী টিম অদুনা ইসিনবু ৩-১দা থোইরগা টাই অদু মায় পাকখি।

## চহী ৭৪শুরবা বহাদরনা রেকোর্দ থমখ্রে

কাইরো, ওক্টোবর ১৯(এজেন্সী): ইজিপ্টকী থর্দ দিভিজন ফুটবোল টুর্নামেন্টতা সিক্স ওক্টোবর হায়না খঙনবা টিম অমদা শরুক য়াখিবা মশাগী চহী ৭৪শুরবা বহাদরনা ফুটবোলগী পুৱারীদা খ্বাইদগী চহী য়াম্বা শান্নরোয় অমা ওইনা শরুক য়াবা ঙমখ্রে হায়না গিনস ৱর্ল্ড রেকোর্দনা শকখঙখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, চহী অসিগী মার্চ থাদা বহাদরনা ইজিপ্সিয়ন থর্দ দিভিজনগী মেচ অমদা মহাক্কী ক্লবকী মায়কৈদা শান্নদুনা পেনাল্টি স্পোটতগী পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখিবনি। গিনস ৱর্ল্ড রেকোর্দসনা মহাকপু খ্বাইদগী চহী য়াম্লবা ফুটবোল শান্নরোয়গী রেকোর্দ অদু পীননবা মিনট ৯০গী ওইবা মপূং ফাবা মেচ অনী শান্নগদবনি। হায়রিবা অদু ঙসি মহাক্লা অল অয়ট স্পোর্টস ক্লবকা শান্নবদা মপূং ফাদুনা রেকোর্দ অদু থম্বা ঙমখিবনি। মমাংদা ইজরেলগী শান্নরোয় ইজাক হায়িকনা কুমজা ২০১৯দা মশাগী চহী ৭৩শুরগা খ্বাইদগী অহল ওইবা ফুটবোল শান্নবগী রেকোর্দ থল্লম্বনি।

# এষ্টোন ভিলানা লেষ্টর সিটিবু ১-০দা থোইদুনা লীগকী পোইন্ট টেবলদা ২শুবদা হায়গৎখ্রে

লন্দন, ওক্টোবর ১৯(এজেন্সী): এষ্টোন ভিলানা লেষ্টর সিটিবু ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী মেচ অমদা পাঞ্জল ১-০দা থোইদুনা পোইন্ট টেবলদা অনীশুবা পোজিসন্দা লৈবা ঙমখ্রে।

এষ্টোন ভিলাগী টিম অসি ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী মমাংদা শান্নখিবা রাউন্দ ৩দা ৩মক মায়পাক্লুনা পোইন্ট ৯ ফংলগা ৩শুবা পোজিসন্দা লৈরম্বনি। অমরোমদা লেষ্টর সিটিনা মেচ ৪ শান্নখিবদা পোইন্ট ৯ ফংলগা ৪শুবা পোজিসন্দা লৈখিবনি। ঙরাংগী মেচ অদু টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী য়াম্না লম্বা মান্নবা মওংদা শান্নদুনা অমনা অমগী গোল তম্না পুশিল্লকখিবা এটেকশিং অদু পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদনা লাকখি। অহানবা হাফ অদু পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লোয়শিনখি।

অনীশুবা হাফ অদুগী অয়াম্বা মতমসু ক্লব অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা মশান্না লৈনরকখিদবদগী স্কোর বোর্দ অদুদা পাঞ্জল অমত্তা লৈখিদে। মেচকী অপীবা মতম অদু য়ৌশিল্লকপদা এষ্টোন ভিলাগী মায়কৈদগী চথুরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোয় জোন মেজিননা পীরকপা বোল অমদা টিমমেট রোস বার্ক্লেনা পাঞ্জল ওন্থোক্লুনা মেচ অদুগী খ্বায়দগী মরু ওইবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা মায়পাকপা ঙমখি।

ঙরাং শান্নখিবা অথেংবা মেচ অমদা টোটেনহাম হোটস্পর অমসুং ৱেষ্ট হেম য়ুনাইটেদ শান্নখিবদা টিম অনীম্মক পাঞ্জল ৩-৩দা দ্রো চৎখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফ অদু টোটেনহামগী শান্নরোয়শিংনা ৱেষ্ট হেম য়ুনাইটেদপু চাউনা খুদুম চন্দুনা পাঞ্জল ৩ চনশিনবা ঙমখি।

মেচকী অহানবা মিনটতা হেরি কেননা পীরকপা বোল অমদা হিয়ুং মিন সোননা ঙন্না একাউন্টহাংদোকপা ঙমখি। মখাতারকপা মেচ অদুগী ৮শুবা মিনটতা হিয়ুং মিন সোননা অমুক সপ্লাই তৌরকপা বোল অমদা হেরি কেননা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ২-০দা মাংজিল থাবা ঙমখি।

শান্নবগী ১৬শুবা মিনটতা সর্জিও রেগুইলোননা ফংখিবা বোল অমা পাস তৌরকপদা হেরি কেননা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা অহানবা হাফ লোয়শিল্লকপদা ৩-০দা হেন্দুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা ৱেষ্ট হেমগী মায়কৈদগী অকনবা এটেক কয়া চথুরকখি। মদুগী খুদোংচাবা অদু মেচকী লোয়রমদাইদা ফংদুনা শুপ্পগী মিনট ৮গী মনুংদা পাঞ্জল ৩ চনবা ঙমখি। ৮২শুবা মিনটতা ফাবিয়ননা চনখি। মদুগী মতুং হোটস্পরগী সাঞ্চেজগী ওন গোল অমা লৈখিবা অদুগা ৯০শুবা মিনটতা মেন্যুল লাঞ্জিনিনা অমগা হাপচিন্দুনা দ্রো চৎখি।

# রিয়াল সোসাইদেদ মায়পাক্লুনা টেবলগী মকোক্তা লৈবা ঙমখ্রে

মাদ্রিদ, ওক্টোবর ১৯(এজেন্সী): রিয়াল সোসাইদেদনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা স্পেনগী লালীগাগী ৬শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা রিয়াল বেটিসপু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীদুনা পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈবা ঙমখ্রে।

বেনিটো ভিলামারিন ষ্টেদিয়মদা রিয়াল বেটিসনা য়ূম্বু ওইদুনা শান্নখিবা মেচ অদুগী অহানবা হাফকী অয়াম্বা মতম টিম অনীমক লম্বা মান্নদুনা লৈখি। নীংশিংবা য়াই, রিয়াল সোসাইদেদ মমাংগী মেচ ৫ শান্নখিবদা অনী মায় পাক্লগা মেচ অনী দ্রো চৎতুনা অমদি মেচ অমা মায়থীরগা পোইন্ট ৮ ফংলগা ৯শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা রিয়াল বেটিস মেচ ৫দা ৩ মায় পাক্লগা ২ মায়থীদুনা পোইন্ট ৯ ফংলগা ৭শুবা পোজিসনদা লৈখি।

অহানবা হাফ লোইরমদায় মিনট ২দা ঙাইরবা মতমদা রিয়াল সোসাইদেদকী মাইকেল ওয়ারজবলনা পীরকপা বোল অমদা খৃষ্টিয়ন পোর্টুনা অহানবা পাঞ্জল চল্লগা রিয়াল বেটিসপু মখোয়না ১-০দা হেন্দুনা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

মেচকী অনীশুবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৭৪শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। পাঞ্জল অদু পেনাল্টি অমগী মতেংনা মাইকেলনা পাঞ্জল ওন্থোকখিবনি। রিয়াল বেটিসকী মায়কৈদগী পাঞ্জল ২ শোথখিবা অদু হন্দোক্লবা কন্না হোৎনখিবা অদু কান্নবা ফংখিদে। ৮৮শুবা মিনটতা রিয়াল সোসাইদেদকী অলেকজেন্দর ইজাকনা পীরকপা বোলদা অদনান জানুজাজনা অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মায় পাকপা ঙমখি।

# রোমানা বেনেভেন্টোবু ৫-২দা মায়থীবা পীরগা ১২শুবা পোজিসন্দগী ৭শুবদা লৈবা ঙমখ্রে

রোম, ওক্টোবর ১৯ (এজেন্সী): রোমা ফুটবোল ক্লবনা বেনেভেন্টোবু পাঞ্জল ৫-২দা চাউনা মায়পাক্লুনা ইটালিদা পাঙথোকপা খ্বায়দগী থাক ৱাংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা সেরি 'এ'গী পোইন্ট টেবলদা ১২শুবা পোজিসন্দা লৈরম্বদগী ৭শুবা পোজিসন্দা হায়গৎপা ঙমখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা রোম সিটিদা লৈবা ওলিম্পিক ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ৪শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা লীগ অসিগী অহানবা শান্নখিবা রাউন্দ ৩দা মেচ অমখক মায়পাক্লগা অমা দ্রো চৎলবা মতুং অমা মায়থীদুনা পোইন্ট ৪ ফংলগা ১২শুবা পোজিসন্দা লৈরম্বা রোমানা মেচ ৩দা ২মায়পাক্লগা অমা মায়থীদুনা পোইন্ট ৬ ফংদুনা লৈরিবা বেনেভেন্টোগা লম্বা তৌনখিবা মেচ অদুগী অহানবা হাফতা ফজবা খর ৱাৎলবসু অনীশুবা হাফতা ফজবা হেল্লকপদগী মায়পাকপা ঙমখি।

শান্নবগী ৫শুবা মিনটতা বেনেভেন্টোগী মায়কৈদগী দাম ফৌলোননা পীরকপা বোল অমা জিয়ানলুকা কপ্রারিনা মেচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মেচকী ৩১শুবা মিনটতা রোমাগী মায়কৈদগী লোরেঞ্জোনা পীরকপা বোল অমদা পেদ্রো রোদ্রিগেজনা ইক্কেলাইজর অদু চনবা ঙমখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুগী মতুং মিনট ৪ লৈরগা টিম অদুগী শান্নরোয় হেনরিখনা পীরকপা বোল অমদা ইদিন জেকোনা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ২-১দা হেল্লগা অহানবা হাফ অদু লোয়শিনখি।

অনীশুবা হাফ অদুদদি রোমাগী শান্নরোয়শিংনা বেনেভেন্টোগী মায়কৈদা অহেনবা এটেক কয়া চথুবা হৌরকখি। অদুবু মখোয়গী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনবা ঙমদ্রিঙৈ বেনেভেন্টোগী জিয়ানলুকা লপাদুলানা ইক্কেলাইজর অদু শান্নবগী ৫৫শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

৬৯শুবা মিনটতা রোমাগী মায়কৈদগী জোর্দান ভেরেটোনা পেনাল্টি অমা পাঞ্জল ওন্থোক্লুনা স্কোর বোর্দতা মখোয়না বেনেভেন্টোবু ৩-২দা হেনখি। শান্নবগী ৭৭শুবা মিনটতা হেনরিখ খিটারয়ানন্না পীরকপা বোল অমদা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা ইদিন জেকোনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ৪-২দা হেনবা ঙমখি।

শান্নবা লোয়গদবা মতম য়ামশিল্লক্লবদা রোমাগী কার্লেস পেরেজনা টিম অদুগী ৫শুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা মেচ অদু ৫-২দা থোইদুনা সেরি 'এ'গী পোইন্ট টেবলদা পোইন্ট ৭ ফংদুনা লৈখি।




## থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯(ঐচএনএস): মণিপুরগী ফুটবোল ক্লব অমা ওইনা ইহান হান্না আই লীগ শান্নবা ঙমখ্রবা নেরোকা এফ সীগী মায়কৈদগী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. মোইরাংথেম মনিমোহোননা হন্দক্তা অনীশুবা ফুটবোল ক্লব ওইনা আই লীগ শান্নরিবা ট্রাও এফ সীগী প্রমোটর অমসুং জেনরেল সেক্রেটরি ওইরিবা টি ফুলেন মৈতৈনা ষ্টেট অসিগী য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী দিরেক্টর ইন-চার্জ ওইনা থৌ পুরকপদা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা নেরোকা এফ সীনা ফুলেনবু ষ্টেট অসিদা শান্নবগী লম্দা অহেনবা পুরকপা ঙল্লসনু হায়না মপূগী থৌজাল নীখি। লোয়ননা ষ্টেট লৈঙাকপুসু মহাক্কুম্বা মতীক চাবা মীওই অমা থৌ পুহল্লকপদা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

## মীহুৎশিংদা থৌদাং শিন্নখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯(ঐচএনএস): শরিৎ-শরাক এসোসিএসন মণিপুরগী মীৎয়েং মখাদা হৌখিবা থাগী ২৮দা শেমখিবা য়ুঠ কম্মিটিগী থৌ পুগদবা মীহুৎশিংদা মখোয়-মখোয়গী থৌদাং শিন্নখ্রে হায়না এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী সেক্রেটরি এস ঐচ ইবোমচানা প্রেসতা পীরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

কোংবা ক্ষেত্রি লৈকাইদা লৈবা ইন্দিজিনস মণিপুর মার্সিয়ল আর্টস একাদেমিদা শরিৎ-শরাক এসোসিএসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এল লশামোনন্না ময়াই তাংবল লৌদুনা নৌনা খল্লবা মীহুৎশিংগী থৌদাংশিং অদুগী থৌরম অমা পাঙথোকখি। কুমজা ২০২০-২১দা প্রমোসন ওফ ইন্দিজিনস মণিপুর মার্সিয়ল আর্টস কম্মিটিনা শীন্দুনা পাঙথোক্কদবা সী এম মীটসু মপূং ফানা শরুক য়াগনি হায়রি।










Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com